# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 07-06-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য সরকারনা লম্বীগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং নিংথিনা শেমজিন্নবা অকনবা থবক পায়খৎলি।

২) অমুক হান্না পাঙথোক্কদৌরিবা নিট য়ু.জি. ২০২৬ পরিক্ষাগী ৱাহং চে লিক ওইরে হায়না শন্দোরক্লিবা ৱাফম অরানবা হায়না এন.টি.এনা হায়রি।

অমসুং

৪) ভারতকী নুপাগী হোক্কি টিমনা চহি ১৮ মখাগী এসিয়া কপকী চেম্পিয়ন ওইরে।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী ওফিসিয়েলশিংগা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা চীফ সেক্রেতরি অমসুং ৱার্ক্সকী কম্মিসনার শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা মণিপুরগী নেসনেল হাইৱেশিং অমদি অতৈ মরুওইবা লম্বীশিংগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা শেমজিন শাজিনবগী মতাংদা খন্নখি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- নেসনেল হাইৱেশিং অসিনা মীয়ামদা চৎথোক চৎশিনগী খুদোংচাবা পীবা অমদি তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংহনবদা অচৌবা দাইত্ব লৌরি। মহাকা হায়- রাজ্য সরকারনা লম্বীগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনদুনা মীয়ামদা অশোইবা অঙাম থোকহন্দনবা কন্না হোৎনরি।

ফুড সেফতি (এল)ঃ     লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম ৱাৰ্ল্ড ফুড সেফতি ডে ২০২৬ ঙসি মণিপুরদসু পাঙথোক্কনি। মপুং ওইবা থৌরম দিরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেস মণিপুরগী ফুড সেফতি এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতি ইম্ফালগা পুন্না শিন্দুনা য়ুনিভর্সিতি অসিগী মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোক্কনি। পালন থৌরম অসিগী চহি অসিগী হিরমনা- ফ্রোম বর্দন টু সোলুসন্স: সেফ ফুড এভ্রিৱেয়ার হায়বসিনি। থৌরম অসিদা য়ুনিভর্সিতি ভাইস চান্সেল্লর দলজিৎ সিংহ চাউধরি, এদ্দিসনেল ফুড সেফতি কম্মিসনার ডাঃ এন. হেমন্ত কুমারনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াগনি। থৌরম অসিদা স্পেল্লিং বি কম্পিতিসনগী মনাশিংসু য়েন্থোক্কনি।

পুলিস (এল)ঃ     কাংপোকপী জিলাগী কোটলেন্দদা হন্দক থোকখিবা হিংশাগী থৌদোক মতুংদা মখা তানা পামদবা থৌদোক থোরকপা থিংননবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা নেসনেল হাইৱে ২০২ অমসুং ১০২-এ পরিংদা লৈবা লিতান, মহাদেব অমসুং সিনাকৈথেলনচিংবা খুলশিংদা ঙরাং কোম্বিং ওপরেসন চথখ্রে।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অদুনা খুলশিং অদুদা পেট্রোল্লিং চত্তুনা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। মদুদা আইন কায়না শাজিল্লম্বা বঙ্করশিং থেংনবগা লোয়ননা মাংহন তাকহনবগী থবক চথখি। খুলশিংগী লুচিংবশিং অমদি তোঙান তোঙানবা সি.এস.ও লুচিংবশিংগসু উন্নদুনা মখা তাবা পামদবা থৌদোক থোরক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সতা মতেং পাংবীনবা ৱাফম থমখি। খুলশিংগী নহাশিং হিংশাগী থৌদোকশিংদা য়াওহন্দনবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মাইকৈদগী ভিলেজ ওথোরিতিশিংদা খঙহনখি।

অমরোমদা, তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংগী বোর্দর পিল্লর নম্বর-৭২ অমসুং ৭৩ অনিগী মরক্তগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে। ফাগৎলবা খুৎলায়শিংগী মনুংদা কন্ত্রি মেদ লেথোদ গন অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, পোইন্ট টু টুগী পিষ্টোল অমা, রেদিও সেট মরি অমসুং আই.ই.দি বোম মরি য়াওরি।

মীয়ামদগী নম হাদুনা শেল খায়বা অমসুং আইন কায়না থবক তৌরিবশিংগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা মওংদা ওপরেসন চথুরি। থৌবাল জিলাগী লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ৱাইথৌ শঙ্গোমশঙদা লৈবা ষ্টোন ক্রসর অমগী মনাক্তগী লালহৌলুপ অমগী হকচিনবা মীওই অনি ফারে। অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ফিজম লৈরক্তগী মীওই অনি য়ুঙৌ লিতর ১১৭ কা কোন্ননা ফারে।

নিট ঃ অমুক হান্না পাঙথোক্কদৌরিবা নিট য়ু.জি. ২০২৬ পরিক্ষাগী ৱাহং চে লিক ওইরে হায়না সোসিয়েল মিদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা শন্দোরক্লিবা ৱাফম অসি অরানবা ৱাফমনি হায়না নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিনা হায়রি।

এজেন্সি অসিনা ঙরাং সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎরকপা ৱারোল অমদা হায়- অসিগুম্বা নমথাক তৌবা খুৎপু অসিনা তৌরক্লিবা থৌওং অসি মহৈরোইশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংশিংদা হেন্না খোইরাং খোইশাওনবা থোকহন্নবনি। পরিক্ষা অসি নিয়ম চুমা অমদি শেংনা পাঙথোকবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি। অসিগুম্বা অরানবা ৱাফমশিং শন্দোক্লিবা মীওইশিং অসি মশক খঙদোকবা অমদি মখোয়গী মথক্তা থবক লৌখৎনবা সাইবর ক্রাইমগী মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংদা খঙহনখ্রে। পরিক্ষা অসি থাগদৌরিবা মহৈরোইশিংনা অসিগুম্বা অরানবা পাউ থাজবীদনবা অমদি ওফিসিয়েল ৱেব সাইট অমদি চেন্নেলশিংদা পীরকপা ঈ-পাউশিংতমক থাজবীনবা এন.টি.এনা আপীল তৌরি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা পি.এম. ইকোনোমিক এদভাইজরি কাউন্সিলগী মীহুৎশিংগা মীফম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা মালেমগী ওইনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা ফিভম অসিদা ভারতকী শেল থুমগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা খন্নখি। লল্লোন ঈতিক তৌবদা হেন্না লাইথোকবা অমদি মীয়ামগী পুন্সি মহিং হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদসু খন্নখি। নোংচুপ এসিয়াদা ওইরিবা চরাংনবা অসিনা ভারত অমদি মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদা পীরিবা চৈথেংগী মতাংদসু মীফম অদুনা নৈনখি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মীফম

অদুনা ভারতকী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা অমদি চাওখৎ থৌরাং কয়াগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াসু খন্নখি।

জয়শঙ্কর ঃ মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্কর হায়রি- ভারত অমসুং নেপালগী ঙমখৈ পরিংদা ঙাকশেলগী তেংবাংশিং পীননবা অমদি লৈবাক অনিগী মরক্তা মখা তানা মতেং পাংনখিগনি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং নেপালগী মপান থৌরম মন্ত্রি সিসির খনালগা উন্নবদা ডাঃ জয়শঙ্করনা হায়- লৈবাক অনিগী মীয়ামগী মরক্তা অফবা মরী লৈনরি। ধর্ম্ম অমদি কলা সংস্কৃতিগী লম কয়াদা লৈবাক অনিগী মরক্তা মান্নবা কয়া লৈরি। হাইদ্রো পৱার, হকশেল, কেপাসিতি বিল্ডিং, দিজিতেল, কলচর অমসুং শান্ন-খোৎনবগী লম কয়াদা লৈবাক অনিগী মরক্তা তেংবাং পীননবগী ৱাফম কয়াসু খন্নখি।

থৌরম অদুদা ডাঃ জয়শঙ্করনা হেলথ ফেসিলিতি ৭২ অমসুং কলচরেল হেরিতেজ প্রোজেক্ট ১২ ভারচুয়েল ওইনা শঙ্গাখি।

মন্দাভিয়া ঃ কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি মন্সুখ মন্দাভিয়ানা হায়রি- লৈবাক অসিগী নহাশিংনা ভারতকী মপাঙ্গল ওইরি। লৈবাক অসিবু ২০৪৭ তা ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবগী মঙলান অদু মঙফাওননবা হোৎনবদা নহাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা য়ুথ ফোর ভিক্সিত ভারত-মাই ভারত য়ুথ কনভেন্সনদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মন্দাভিয়ানা মাই ভারত অসি লৈবাক অসিবু হেন্না চাওখৎনবগী পান্দমদা নহাশিংগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং ফোংদোকবগীদমক প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবনি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী মীশিংগী চাদা ৬৫ দি চহি ৩৫ গী মখা ওইবনা ভারত অসি মালেমগী ওইনা নহা মশিং য়ামা লৈবা লৈবাক অমা ওইরি।

হোক্কি ঃ ভারতকী নুপাগী হোক্কি টিমনা চহি ১৮ মখাগী এসিয়া কপকী চেম্পিয়ন ওইরে। ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ভারতনা জপানবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইদুনা টাইটল অসি লৌখিবনি। মসিগা থারগা ভারতনা কপ অসি

লৌবা ঙম্বা অহুম্লক শুরে।

অমরোমদা নুপীগী টিমনা সাউথ কোরিয়াবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীদুনা শেঞ্জেংগী তকমান ফংলে। মায় পাক্লকপা অসিদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারতকী শান্নরোইশিংনা তুরনামেন্ট অসিদা মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবশিং উৎথোক্তুনা নিংথিনা শান্নদুনা কপ অসি লৌবা ঙমখিবনি।

সাফ ঃ ৬ শুবা সাফ ৱিমেন ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৬ কী টাইতল ভারত লৌবা ঙমখ্রে। ঙরাং গোৱাদা শান্নখিবা ফাইনেলদা ভারতনা বঙ্গলাদেশপু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইদুনা টাইতল অসি লৌখিবনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগনা শিন্দুনা ষ্টেট কৃষি মেলা হৌদোকখিবা, কোব্রা কম্মান্দো য়ুনিত অহুম ইম্ফালদা থুংলখিবগী পাউ অমদি রাজ্য সরকারনা পঞ্চায়ট সমিতি কন্সটিট্যুন্সিগী এরিয়াশিং লাউথোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

সনালৈবাক্তা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা ষ্টেট কৃষি মেলা হৌদোকখ্রে, ওর্গানিক ফার্মিং হেক্তর ৪০০ দা মায় পাকখ্রে, হেক্তর ৪০০ অমগসু থবক্তা ওন্থোক্লগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

বোর্দর পুমমক্তা লিক প্রুফ ওইহল্লগনি হায়না কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু পাউচে অসিদা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পোকফমদা- হার ফংনদ্রিবসি কদাইদা শিজিন্নখিবনো, দিপার্টমেন্টনা কুপা য়েংশিনবিয়ু হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পঞ্চায়ট সমিতি কন্সটিট্যুন্সিগী এরিয়া লাউথোক্লে, য়ানিংদ্রবদি নুমিৎ ২০

গী মনুংদা হায়রকবা খঙহল্লি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মণিপুরদা কোব্রাগী য়ুনিত অহুম থুংলরে হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মণিপুরগী রাজ্য সভাগী এম.পি মীখলদা কংগ্রেসকী মীরেপ থাদোক্লোইদৌরি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা মণিপুর সিদ এন্দ ওর্গানিক সার্তিফিকেসন এজেন্সি লোঞ্চ তৌখ্রে, ওর্গানিক্কী পোখোক পুথোকপদা মায় ওনশিল্লশি হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমনাম খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

লৈঙাক্কী স্কুল ৫০ দা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং লৈরি হায়ব পাউ অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা রাজ্য সরকারনা পঞ্চায়াতি রাজগী থ্রি টয়ার সিষ্টেম মখাদা পঞ্চায়াতি সমিতি সিট ৮৫ লৈহন্নবা প্রপোজ তৌরি হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

এন.আর.সিগী রেল্লিদা মীয়াম শরুক য়াবীনবা লুপ ১৪ না আপীল তৌরি হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা মণিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী সিত্তিং এম.এল.এ ৬ অমসুং এক্স এম.এল.এ মরি ক্রিমিনেল কেসশিং মায়োকরি হায়বা পাউ অমা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

ভিজিতরগী এসেন্ট য়াওদনা নমফুদা পাঙথোকখিবনি ৱাকৎলকখিবা কেসকী ওর্দর হাই কোর্টনা রিজার্ভ তৌখ্রে, এম.য়ুনা খনখিবা গ্রুপ-বি অমসুং সি পোষ্টকী মীওইশিংগী লাইবক জষ্টমেন্ট অমসুং ওর্দর লাউথোরকপদা খঙলগনি হায়বা পাউ অমসু অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা ফাজিখিবা হোষ্টেজশিং থাদোরকবা চর্চ বোদিনা আপীল তৌরি হায়বা পাউ অমা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। লিতানদা কোম্বিং ওপরেসন চত্থখ্রে হায়বা পাউ অমসুং মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------